ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯃꯦ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯵꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মে ২০, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৫৪শুবা মশীং

## লাই হরাওবদা লমহেনবা

### শেরান-তুরান তৌহনগুমসি

মণিপুরগী লাই হরাওবগী থৌরমসিবু অমুক হন্না শন্দোক্লা-কোইথোক্লা হায়রুবগী মথৌ তাখিগদ্রা? মালেমসিদা লৈরিবা লাইনীংবা ফুরুপ-কাঙলূপ পূম্নমক্লা মখোয়না লাৎতুনা নীংজরিবা লাইশিংদুগী ঈরাৎ-থৌনি থৌরম পাঙথোক্লবগুম হরাও মথোই কাদুনা লৈবাক মরা তপ্নবা, চাহোঙনবা-ঙাহোঙনবা, অনা-অয়েক য়াওদনা পুন্সি নুংশাংনবা, খুঞ্জাওনবা-লৈচাওনবা থৌরমশিং পাঙথোকচবনি। থৌরমসি লাই নীংলিবা মীওই কাঙলূপশিংনা পাঙথোক্লবগুম মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপ্পসু মতম কয়াগী মমাঙদগী পাঙথোক্লরকপা য়েলহৌ থৌরম অমনি। অদুবু মৈতৈ/মীতৈগী লাই হরাওবগী থৌরমদদি অতোপ্পা লাইনীং-লিচৎশিংবু তুংইল্লিবা মীওই কাঙলূপশিংগা মান্নদবা মওংদা তোপ-তোপ্পা মশকশিং য়াওরি। য়াওরিবশিং অসিগী মনুংদা মীওইবনা লৈরক্লিবা লমসিগী লৈশেম্লোনগী ৱারীশিং মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়ননা য়ূম্বানলোনগী মনুং চনবা চৎন-কাঙলোনশিংগী ওইবা মশকশিংসু তাকপা য়াওরি। হায়রিবশিংসি উৎপা-তাকপদা মখল খরগী জগোয়-ঈশৈসু পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নরি। মসিমক্লসু মৈতৈ/মীতৈগী জগোয়-ঈশৈগী লৈরক্লিবা মউ হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবদা অচৌবা মতেংসু ওইরি। অদুগা লাই হরাওবগী থৌরমসি মফম অমসুং মতমশিং খেন্নবা অমসুং লাইশক-লাইচু মান্নদবগী হৌনবা মাগী মাগী ওইবা মতমশিংদা হরাওবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লরকপা ঙাক্তনি। অদুবু কুমজা ২০২০গী মার্চকী অরোইবা চয়োলদগী কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লরকপদগী লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবা তৌদবা য়াদ্রবা থবকশিংগী মনুংদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপগী ৱাফম মরু ওইনা য়াওবনা মীয়াম পূনবা অমসুং তিনবা থৌরমশিং পাঙথোক্লরুদ্রে। লাই হরাওবগী থৌরমসু তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা লাইথৌ থৌরমশিং নত্তনা তৌনরুদ্রে।

অদুবু হৌজিক কোরোনাগী চৈথেং খরা পাথরক্তুনা মহৌশাগী ফীভমদা তপ্না তপ্না হঞ্জিনবা হৌরকপদগী মীয়াম তিনবা এক্টিভিটি কয়াসু পাঙথোক্লবা হৌরক্লে। তৌসনু, থায়নদগী তৌফম থোকই হায়দুনা তৌদুনা লাকপা থবক থৌরমশিংনি। মসিগী মনুংদা লাই হরাওবগী থৌরমশিংসু য়াওরক্লিবনি। অদুবু পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা পাঙথোক্লদ্রবনি হায়দুনা হৌজিক ফীভম খরা ফরক্লবা মতমসিদা পাঙথোকপা য়ারে হায়দুনা লাই হরাওনরকপদবু কাও থাবদৌনা, ষণগোন্দগী থৌরি তৎখিবা ষণদৌনা হেক্তা তৌনীং-তৌনীংবা তৌদুনা মমা-মপা, মচিন-মনাও হায়বদি ইমুং-মনুং হুপ্না য়েংমিন্নবা য়াদবা অরানবা, তৌরোইদবা লৈথেৎশিং হাপচিন্নরক্তুনা লাই হরাওবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লরকপদি চুমগদ্রা? হায়রিবা থৌওংশিং অসিদি মৈতৈ/মীতৈগী য়েলহৌ থৌরম কুম্মৈ ওইনা শাগোন্নরক্লিবা লাই হরাওবগী থৌরম্বু অশোয়বা, অরানবা মায়কৈরোমদা পুখিনবা হোৎনবনি হায়দুনা লৌফম থোকই। খুদক্তা মিৎয়েং চঙদুনা তোপশিন-হাপচিন্নরক্লিবা য়াওহল্লকফম থোক্তবা কা হেনবা থৌওংশিং অসি লৌথোক্তুনা তরং-তরংবা লাই হরাওবগী মহৌশাগী মচৎতুদা পরিং চুম্না চৎহন্নবা হোৎনফম থোকই। মসিগীদমক ৱাখল থাদহৌবগী মতম চপ-চারে হায়নীংই। চহী খরগী মমাঙদসু লাইবুংদা তাঙ্খুল শাবা মীওই অমগী মনঙ্গলদা চোঙশিন্দুনা খোঙপাক্লা কাওরুবগী ৱাহৌদা খূৎ থোক্লরক্তুনা মীশি মীনা য়াওনখ্রবনি। মরম অসিনা লাই হরাওবগী ফজখ্রবা মশকপু লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অমসুং শেরান-তুরানবা লম্বীদা পুনবা হোৎনরকপশিং অসি মন্থোকপদা অচৌবা থবক ওইগদবনা গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগা লাই হরাওবগী অচুম্বা কাঙলোন খঙবা লূপশিংগা খূৎশম্নদুনা তৌবনা ফগদ্রা হায়বদু খন্নহৌবা চুমগনি। নৎত্রবদি লাই হরাওবদা শরুক য়াদুনা লাইগী থৌগল তৌনবা থোরকপা থৌগল্লোই নুপী-অঙাংশিংদগী হৌরগা নুপাশিংনা শেত্তোক-চাথোরকপা ফি-রোলদগী হৌরগা লাইগী থৌগল জগোয়দা শেল থারকপগী মওং য়াওনা অতৈ থৌগলশিংদা তোপশিন্নরক্লিবা অহেনবশিংসিদি শেৎতোক্তুনা লৌথোকহৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। মসি তৌহৌদ্রগদি মৈতৈ/মীতৈগী পারি-পুরিদগী শাগোন্নজরক্লবা লাই হরাওবগী অশেংবা মশক মাঙহল্লক্লবগী মরমশিং ওইরক্কনি। মতাং চারিঙৈদা লৈবাক্কী অঙম-অথৌ, অখঙ-অহৈশিং কোক চুংশিন্নরগা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎহন্নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪২

১) কালিদাসকী **''রঘুবংশ মহাকাব্য''** হায়বসি মীতৈ শৈরেংদা কনানা হন্দোকপগে?

২) **''সেঙ্গোই সনা''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রগী পুন্সি অমসুং মহাক্লা লীবিরম্বা ৱারীশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইবা লাইরিক্তুগী মমিং করিনো অমসুং কনানা খোমজিনবনো?

৪) **"নুংঙাইফম খঙদে-/নঙগী ৱাখলদা মঙ মঙবদা।/নুংঙাইফম ফংখিদে-/নঙগী মিংদা ডিপোজিৎ হাংঙুবদসু।''** শৈরেং মতেক অসি মপাল লমগী মচিন তুমখৎলক্লিবী অইবী অমগী শৈরেংদগীনি। অইবীসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **''হে পারী! নপন্ ঐগী ইহকচাংসে খাম্ পি মৈদা ঈকলো। মালেম্ লৈরোল, মাপন্ না 'কূ' বু শাও। কোরৌ নোংলোল্ মাপন্ না 'থক্ খল্' শেমলো। থক্ খল্ মখোঙদি 'থংচিং, মারজিং, ৱাংব্রেন, কৌব্রু' মরি অসিনা ওইও।...''** ৱাহৈ পরেং খরা অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কুমসিগী ঈপান থাসিদি কালেন্থানি কাউখরে

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

নোংজু পান্থানা লাকপা খুদিংগী কংলৈপাকসিদা ঐখোয় মশেন চহী খুদিংগী হঞ্জিন-হঞ্জিন য়ূম থুম্বগী, লম্বী চৎপা য়াদবগী লেপ্পা লৈতনা লাউনরি। অমনা অমগী মথক্তা লোইবা নাইদবা মরালশিংসু শীনরি। ''নঙোন্দগী চেনশিল্লকপা ঈশিংনা ঐগী য়ূম থুম্বনি, নঙনা দ্রেন শেংনীংদবদগী ফুনগৎলক্তুনা, মৌখৎলকপা খোংবানগী ঈশিংনা ঐগী য়ূমসিদা চঙলকপনি'' চহী খুদিংগী নোংজু থাগী মতমনা লাকপদা ঐখোয় মশেন লাউনবা লোইবা খক নাইবা নত্তে। অদুগী মথক্তা অমুক্কসু কুমসি চহীসিমগীদি লাইবক থীবা থৌদৌ হায়গদ্রা, নোংজু পান্থানা কালেন-থা মাবু কান্থোকপীখ্রে। কুমসি চহীগী কালেন-থা মশক উহৌদ্রে। চহী খুদিংগী ইঙা-ইঙেনদা চুগদবা নোংজু পান্থাগী চপ চাবা মচৎতু কুমসি চহীসিগী ওইনদি কালেন থাদা ওইনা মনীং তম্না চুথখ্রে। কালেন থাগা ইঙা থাগা অনীসি কুমসিদি পূনশিনখ্রমাল্লে। খঙহৌবা খঙহৌদবগী ৱাফম নত্তনা কালেন থাগী শারবা লৈতঙ্গায় মরক্তগী থোৎনা নৌরবী লৈরাং লৈবাক্লেনা লীৎখৎলকপদুসু কুমসি চহীসিগী ওইনদি থেংনহৌদ্রে। কালেনগী হৈখাগী মহাউসু কুমসি চহীসিদি খঙহৌদ্রে। নিংঙাই চাওবী নিংঙোলশিংনা অতৎ-অখম লৈতনা মিৎলুদগী শিন্থরকপা পিরাংগী মতৌগুম, কুমসিগী কুমসিমদি ইঙা থাগী অতৎ-অখম লৈতবা নোংজুদুনা কালেন থাসিদা লেপ্পা লৈতনা চুথখ্রে। কালেন থাসিদবু ইরমদমসিদা, ''কনা-কনাগী য়ূম থুমজিনখ্রে, কনাগীনা তুরেলগী ঈচেল পাথোরক্তুনা ময়ূম ফুক্তোক্তুনা চেন্থবীখ্রে'' অসিগুম্বা মখলগী পাউশিংসি ঙাক্তা ঙাইগদৌরিব্রা? লোইনাইদবা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা শক্তমশিংদু কুমসি চহীসিগী ওইনদি ইরমদমসিদা ঙম্নমক থোক্লগদৌরিব্রা, মীপাইবা পোক্তবা ঙল্লকত্রি।

নোংজু পান্থা লৈতে, কালেন থা লৈতে, নোংনা লেপ্তুনবু চুরবদি ঈশিংগী ময়েংদি অদুম্মক লেপ্তুনা হেঙ্গৎলক্কনি। হেঙ্গৎলক্লোইদবা মফম অমত্তসু লৈরোই। তুরেলসু চাওখৎলক্কনি, ঈরম-খোংলমশিংসু ঈমাই লোইনা শোয়দনা চোন্না ৱাংখৎলক্কনি। থৌদৌসিদি তাইবঙপানসিবু শেন্বীরিবা মপু মাগী খূৎশেমনি। মহৌশাগী লিচৎ হায়বসিদি সি ঙাক্তনি। থৌদৌসিদা ঐখোয়না কনাদনো ৱাকৎলুগদৌরিসি? ৱাকৎফম লৈরোই। ঐখোয় খুদিংমক্লা থৌদৌসি খঙফম থোকপনি। তৌবদবু মহৌশানা লৈজরবা মহৌশাগী খোঙচৎশিংসিবু মতৌ করম্না ঐখোয়না মায়োক্লগদগে অমসুং মাঙজৌননা মতম লৈরিঙৈদা করি-করম্বা থৌদৌশিং পাঙথোকহৌরগা, তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবা অৱা-পোৎলুমশিংসি কোকথোক্লহৌবা ঙমগদগে হায়বসিদি শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌহৌবগী মখা য়াম্না পোল্লি। লেপ্তুনা চুবা অকনবা নোংজুগী ঈশিংনা তুরেলগী ঈমাই চোন্না চেল্লক্লবা মতম, লৈনরিবা য়ূমগী মরেপ্তুগী রিভর বেঙ্ক অনীনা ঙাক্তুনা চেলহল্লিবা তুরেলগী ঈশিংগী ঈমাইনা হেন্না ৱাংখৎলক্লবা মতম, মতমসিদা খক্তা তুরেলগী ঈচেলগী অকিবা চৈনা ফাওরকপা অমসুং ইশাদা পাখৎপা পোক্লকপনদি থোইদোক্লা কান্নবা ফংলোই। তৌইগুম্বসুং, হৌজিক্কী ওইনদি তুরেলগী ঈমাইনা ফীভমসিমক য়ৌখ্রবদি চিংনবা পোকপা য়াবা অশোনবা রিংবন্দ লৈবা মফমশিংগী মীয়াম্না লৈঙাক্তা মতম চানা ঈ-পাউশিং পীহৌদুনা, লৈঙাক্কী অমসুং লৈকায়গী ওইবা মায়কৈ অনীমক্কী অপূনবা মেন পৱারশিংনা মীৎকুপ-নাহুম শীংনা, থোকহন্নীংদবা খুদোংথীবা থৌদোকশিং থোক্লকপা য়াবগী অকিবশিং লৈব্রা হায়বদু চেকশিন্না শেন্নমিন্নহৌবা মথৌ তাই। তঙাইফদ্রবদি, হৌজিকসু লৈঙাক্কী অকনবা শক্তিশিংনা মাঙজৌননা শেমজিনবা য়াবশিং শেমজিনহৌনবা হোৎনহৌবদি অদুম য়াই। অসিগুম্বা মিপাইবা পোকপা য়াবা তাঞ্জাশিং মতুংদা অমুক হন্না লাকহন্দনবগীদি, কোন্না নোং হাংখ্রবা মতুংদা শীন্নরবসু চাম্মরক হন্না য়াই। লুরিবদি, হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনদি মথক্তা পনখ্রিবা তুরেল তোর্বানগী থৌদৌসিনি। থৌদৌসিগীদমক লৈঙাক্কী অকনবা ফোর্সশিংগা লোয়ননা অকনবা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎমিন্নহৌবা নত্তনা অতৈ পাম্বৈশিং খক লৈরোই। থৌদৌসি মরু ওইনা হন্দক-মরক নোং মতম শাংনা লেপ্তুনা চুখিবদুনা ওইহল্লকপনি। করিগুম্বা মফমশিংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্লম্বা য়াবগী থাজবসু চাউনা লৈ। মাঙজৌননা মমাঙদা লৌহৌবা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংগীদমক্তি মথক্তসু পঞ্জখ্রে, তোঙানবা থৌদৌ ময়াম অমা লৈ। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীবু ওইরসু নৎত্রগা লৈকায়গীদগীবু ওইরসু লৌখৎহৌবা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং পূম্নমক্তি মতম লৈরিঙৈ, মতাং চানা লৌখৎপীহৌবা চুমগনি। অদুবু, হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনদি লৈঙাক নত্তনা অতৈ লৈরোই হায়রিবসিদগী হেন্না অতৈ খক লৈরোই।

তাইবঙ মীগী হৌনবী, নোংমা মতম অমদা হেক্তা খঙহৌদনা লাকপা য়াবা খুদোংথীবা থৌদৌশিংগীদমক মহৌশানা মীয়াম্না কৈদৌঙৈদসু খক মফম-মতম চারিঙৈ খুদোংথীবা থৌদৌশিংদু লাকহন্দনবা হোৎনহৌবগী হৈনবী খক লৈনদে। হন্দক্কী কালেন থাসিদা ইরমদমসিদা কুমগী নোং লাকপগুম নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী মণিপুরদা লৈবা তুরেল খুদিংমক খুদোংথীবা য়াবা ঈমাইগী থাক্তগী লোইনা হেঙ্গৎনা চেন্নরে অমসুং ঈমাই চোন্না অমদি পানা লোইনা লৈনরে। অসিগুম্বা অঙকপা থৌদৌশিংসি মালেমসিগী অকোয়বদা লৈরিবা ইনভাইরনমেন্ট (মহৌশাগী ওইবা খল) সি ঐখোয়না কায়হল্লুবদগী থোক্লকপা ঙাক্তনি। হৌজিক হৌজিকমক, মালেমগী ওইনা উমং-ৱামং কয়ামরুম কোকথোক্লকপদগী মালেমসিগী ওইনা অঙৈং-অশা অমসুং নোংজু-নুংশাগী ফীভমশিংদা অহোংবা কয়ামরুম লাকহল্লি। অথাপ্পদা লৈরিবা মালেমগী অতৈ মফমশিংগী ফীভমশিং উরুদ্রসু অনকপা ইশাগী ইরমদম ওইরিবা মণিপুরসিদা ঐখোয়না নোংম-নোংমগী চীং-মানগী শরুকশিং কোকথোকপগী চাং শাথীনা হেঙ্গৎলক্লি। অসুম্না চীংদবু ওইরে, তমদবু ওইরে নোংম-নোংমগী উমং-ৱামংশিং কোকথোক্লকপগী চাং অসুক্কী মতিক হেঙ্গৎলকপনা লমদমসিদা অঙৈং-অশাগী চাং কায়থহল্লক্লি অমসুং নোংজু-নুংশাগী চাং অমদি ফীভমশিংদসু অসুক্কী মতিক অহোংবশিং লাকহল্লি। খুদম ওইনা, কালেন থাদা ঈশিং-ঈচাওশিং থোকহল্লক্লি অমসুং ইঙা-ইঙেন্দনা নোং নিংথি-নুংঙাইনা চুদবদগী করিগুম্বা কান্দা ঈকংশিং নংহল্লি। থৌদৌসি মহৌশাগী ওইবা খোঙচৎশিংদা কায়হল্লুবা অমসুং হোংহল্লুবগী মহয়শিংনি। হীরমসিদা অখঙ অহৈশিং কয়ামুক্লা ফোঙদোকপীবগী মতুংইন্না, চাংচৎতা তাইবঙ মীওইবা অমনা নোংমদা মপূং ফানা নীংশা হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌবদা মথৌ তারিবা ওক্সিজেনগী চাংসি উ-পাম্বী অহুম্না নোংমদা পুথোক্লকপা ওক্সিজেনগী চাংদুমক চপ চানা ওই হায়বসিনি। ৱাফমসিগীদমক হায়রবদি, মণিপুরদা লৈরিবা অপূনবা মীয়ামসিগী মশীংগী শরুক অহুম হেন্না মণিপুরদা মপূং ফারবা উ পাম্বীশিং হৌগদবনি। ৱাফমসিগী মতুংইন্না, মণিপুরদা হৌরিবা অপূনবা উ-পাম্বীশিংগী মশীংসি মথক্তা পনখ্রিবা মশীংসি য়ৌরমগদ্রা? অসুম্না মহৌশাগী ওইবা খলগী অপূনবা শক্তমশিং কায়হল্লকপদগী মনুং মতম চাদনা ইরমদমসিদা কালেন থাদা ঈচাও থোকহনবা মখৈ নোংজুগী চাং হেঙ্গৎলক্লিবনি অমসুং ইঙা-ইঙেন্দনা করিগুম্বা কান্দা নোংজুগী চাং অসুক্কী মতিক হন্থরক্তুনা ঈকং ফাওবা থোকহল্লক্লিবসিনি। পূম্নমকসি থোকহল্লকপগী অমত্তা ঙাইরবা মরমদি, তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না মথোঙ-মরম খঙদনা উ-ৱা কয়ামরুম য়াম্থৎতুনা, উমং-ৱামংশিং মরু কোকহল্লুবা অমসুং মহৌশাগী ওইবা খলগী মরমদা ৱাহন্থোক মশক খঙদনা কায়হল্লুবসিনা ওইহল্লকখিবনি। ঐখোয় হৌজিক্তি খঙলে, তারিবা নোংজুগী চাং অমসুং শারিবা নুংশাগী চাংসি অমগা অমগা মরী লোইনা লৈনরম্মী অমসুং শম্নরম্মী। পূম্নমকসিগী অপূনবা কিশিগী লাংসি ঐখোয়না করিগুম্বদা খক কায়হল্লোইদবনি অমসুং তৎহল্লোইদবনি।

মালেমসিদা শেন্লিবা অপূনবা শক্তমসি অমগা অমগা অমত্তা কায়নবা য়ারমদ্রে। মালেমসিদা ওইরিবা অপূনবা নোংজু-নুংশাগী চাং, ঈশিং-নুংশিৎকী চাং, অখাক-অরাউশিংগী চাং, হৌরিবা উপাল-ৱাপাল অমদি অপীকপা নাপী-শিংবীশিংগী চাং, পূম্নমকসি অমগা অমগা মরী লোইনা লৈনরম্লে। পূম্নমকসিদা লৈনরিবা বেলেন্সিংগী চাং অমত্তসু কায়নবা য়ারমদ্রে। অমা নৎত্রগা অমা হেক কায়রুবদা অতৈ-অতৈশিংদসু অকায়বা লোইনা লাক্লম্লে। পূম্নমকসিবুনি অপূনবা মালেমসিগী খোঙচৎ হায়রিবসি। পূম্নমকসিগী মনুংদা ঐখোয়না অমদা হেক কায়হল্লুবদা মদুনা অতৈদুদসু খরা খরদি শোয়দনা কায়হনবগী ফীভমশিং লৈরম্মী। অমখক পল্লবদা, মালেমসিদা নোং চুবগী চাং হেক ৱাৎপদা পাৎ অমদি তুরেলশিং ময়াং কংশিল্লক্কনি। হৌরিবা উপাল-ৱাপালশিং অমদি নাপী-শীংনাশিংদসু নিংথিনা হৌবা ঙম্বগী চাংশিং ৱাৎলক্কনি। পাৎ অমসুং তুরেলগী ঈশিংদা হিংজরম্বা অপীকপা থৱায় পানবা কাঙলূপশিংদা হিংবা অমসুং চাদা-নাউদাশিংগী চাং হন্থরক্কনি। নোং চুদ্রবদি লৈবাক লৈহাওদসু শোয়দনা অহোংবশিং লাকই। মসিনা পাম্বী খুদিংমক্তসু শোয়দনমক্কী অহোংবশিং খরদি পীরিবনি। পূম্নমকসি কায়হন্দনা থম্বা, নোংজু-নুংশাগী চাং নায়হনবা হায়বসি কুপ্না খঞ্জিল্লুরবদি মালেমসিদা হিংমিন্নরিবা তাইবঙ মী ঐখোয়গী খূৎতা লোইনা লৈরম্লে। ●

# লমগী পোখোক মাঙহন্দনবা হোৎনবা : টোমেটো জোসগী ৱারী

**- আনন্দ লাইশ্রম -**

ঐখোয়না মণিপুরদা চাক-ঈশিং থোংবদা ঙারি থাকপা অদুগা মান্ননা নাইজেরিয়াদা খামেন অশিনবা পেষ্ট (টোমেটো পেষ্ট) থাকনৈ। মণিপুরদদি ঐখোয়না ঙারি ইশানা পুথোকচৈ, মপান্দগী ঙারি লৈবা মথৌ তাদে। নাইজেরিয়াদদি ৱারী অসি খরা খেন্নৈ। নাইজেরিয়ানা মালেম পূম্নমক্তা খামেন অশিনবা/টোমেটো পুথোকপদা থাক য়াম্না ৱাংনা লৈবা তারবসু মখোয়গী মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা খামেন অশিনবা/টোমেটো পেষ্টতি মপান লমদগী ওইনা লৈনৈ।




নাইজেরিয়াদা চহী খুদিংগী খামেন অশিনবা/টোমেটো কিলো ক্রোর চনি (2 million metric tons) মুক পুথোকই। মালেমগী খ্বাইদগী য়াম্না খামেন অশিনবা/টোমেটো পুথোকপা লমশিংগী মরক্তা নাইজেরিয়াসু চল্লি। অদু ওইবা তারবসু চহী খুদিংগী খামেন অশিনবা/টোমেটো পৎলগা য়াম্না মাঙনৈ। চহী অমদা পুথোকপা খামেন অশিনবগী তঙ্খাই (৫০%) দি পৎলগা লংথোক্লে। মসিগী মরমদি নাইজেরিয়াদা লম্বী-থোং, সোরোক নীংথিজনা শেন্বীদবা, লৌ-উবা ময়ামগা মার্কেটকা শম্নদবা অমসুং কোল্ড ষ্টোরেজ ফজনা লৈতবনা ওইরি। অদুনা নাইজেরিয়াদা খামেন অশিনবা/টোমেটো য়াম্না মরাং কায়না পুথোকপা তারবসু নাইজেরিয়াগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা খামেন অশিনবা/টোমেটা পেষ্টতি মপান লমদগী লৈনৈ।

চহী খুদিংগী নাইজেরিয়ানা টোমেটো পেষ্ট কিলো ক্রোর তরা মঙা (1.5 lakh metric tons) মপান্দগী লৈ। মসিগী অৱাবা অসি কোকহনবা ঙম্নবা কুমজা ২০১৪দা মিরা মহেতা কৌবা মীশক অমনা টোমেটো জোস কৌবা কম্পেনি অমা হৌদোকখি। মিরা মেহটা মশামক অমেরিকাদা লৈবা Harvard Business School দা লাইরিক তম্লকপনি। মহাক্লা নাইজেরিয়াদা থবক্কা মরী লৈননা চৎপদা লম্বী-সোরোক্কী নাকলদা খামেন অশিনবা/টোমেটো ময়াম পৎলগা মাঙবা উবদগী টোমেটো জোস কম্পেনি হাংবগী ৱাখল পোক্লকখিবনি।

নাইজেরিয়াদা খামেন অশিনবা/টোমেটোসু য়াম্না পুথোকপা তারবদি মপান্দগী খামেন অশিনবা/টোমেটো পেষ্ট লৈফম থোক্তেনা হায়বা ৱাখল খল্লকখি। টোমেটো জোস কম্পেনি অসিনা অহানবগী চহী মঙাদদি খামেন অশিনবা/টোমেটো পেষ্ট পুথোকপা ঙম্বা ফেক্টরি অমা হাংনবগী শেম শাবগী থবক পায়খৎখি। নাইজেরিয়াদা খামেন অশিনবা পুল্লপ্পা য়াম্না পুথোকপা তারবসু লৌউবা অমনা পুথোকপা খামেন অশিনবদি য়ামদে। মসিগী মরম্না লৌউবা ময়াম্না নোলেজ-লৌশিং, অফবা মরু/সীদ, মেছিন ৱাৎপা অদুনা ওই।

টোমেটো জোস কম্পেনি অসিনা অহানবদা লৌউবা ময়ামদা খামেন অশিনবা ফজনা থানবগী ট্রেনিং পীবা হৌখি।

১) অহানবা চহীদা : লৌউবা অমদা অহানবা টোমেটো জোসগী লম মচা অমদা চুজ াক থাবা হান্না তাকপী। অদুগী মতুংদা খামেন অশিনবা থাবা (প্লান্টিং), হার ফজনা শীজিন্নবা (ফর্টিলাইজেসন), তিন-কাং ফজনা কন্ট্রোল তৌবা (পেষ্ট মেনেজমেন্ট) গী মরমদা তাকপী। অহানবা চহীদদি বেসিক লেভেলগী ট্রেনিং পী। লৌউবশিংদা টিম ৱার্ক অমসুং কন্ট্রেক্ট ফার্মিংগী মরমদসু তাকপগী থবক পায়খৎলি।

২) অনীশুবা চহীদা : লৌউবা ময়ামদা খামেন অশিনবা থাবা (প্লান্টিং), হার শীজিন্নবা (ফর্টিলাইজর), তিন-কাং কন্ট্রোল তৌবা (পেষ্ট মেনেজমেন্ট) গী ইন্টরমিদিএট লেভেলগী ট্রেনিং পীবগী থবক হৌগৎলি। অদুগা ঈশিং ফজনা চাইবা (ইরিগেসন), লেবর মেনেজমেন্ট, রেকোর্দ কীপিংগী বেসিক লেভেল ট্রেনিংসু পীবা হৌগৎলি।

৩) অহুমশুবা/অরোইবা চহীদা : খামেন অশিনবা থাবা (প্লান্টিং), হার শীজিন্নবা (ফর্টিলাইজর), তিন-কাং কন্ট্রোল তৌবা (পেষ্ট মেনেজমেন্ট) গী এদভান্স-লেভেল ট্রেনিং পীবা হৌগৎলি। ইরিগেসন, লেবর মেনেজমেন্ট, রেকোর্দ কীপিংগীনা ইন্টরমেদিএট লেভেলগী ট্রেনিং পীবগী থবক পায়খৎলি।

গ্রাউন্দ প্রিপরেসন অমসুং য়ুনিট ইকোনোমিক্সকী মরমদা বেসিক লেভেল ট্রেনিং পীবসু হৌগৎলি। চহী অহুম ট্রেনিং পীবগী মতুংদা লৌউবা ময়াম্না মশাগী লম নৎত্রগা টোমেটো জো াস কম্পেনিগী লম খরা চাওবা অমদা খামেন অশিনবা থাবগী থবক হৌগৎহল্লি। ট্রেনিং পীবদা নত্তনা টোমেটো জোসনা খামেন অশিনবা মরু/সীদ অনৌবা অমসুং হেন্না অফবা পুথোক্লবা রিসর্সগী থবকসু পায়খৎলি। মসি ময়ামসিনা মরম ওইদুনা টোমেটো জোসকা থবক তৌমিন্নবা লৌউবা ময়াম্না খামেন অশিনবগী পোখোক হেনগৎহনবা ঙম্মী।

নাইজেরিয়াগী অতোপ্পা মফমদা লৌ/ফার্ম হেক্টর অমদা চহী অমগী কিলো চামঙা (500 kilos) খামেন অশিনবা পুথোকপা ঙম্বদা, টোমেটো জোসনা ট্রেনিং পীরকপা লৌউবা অমনা চহী অমদা হেক্টর অমগী লমদগী খামেন অশিনবা কিলো লিশীং নিফু (40000 kilos) মুক পুথোকপা ঙম্মী। পুল্লপ্পা টোমেটো জোসকী লৌউবা ময়াম্না চহী অমদা খামেন অশিনবা বিলিয়ন ৭ মুক হেক্টর ২৫গী লমদগী পুথোকপা ঙম্মী।

টোমেটো জোসনা লৌউবা ময়াম্না খামেন অশিনবা হেন্না পুথোকপা ঙমহনবগী মতুংদা হৌজিক্লা টোমেটো পেষ্ট শাবগী ফেক্টরি অমসু হাংখি। ফেক্টরি অসিনা নোংমদা টোমেটো পেষ্ট কিলো লিশীং ২৪মুক পুথোকপা ঙম্মী। টোমেটো জোস মশামক্কী টোমেটো পেষ্টকী ব্রান্দ অমসু হৌদোকখি। মসি ময়ামসিনা মরম ওইদুনা টোমেটো জোসকা থবক তৌমিন্নবা লৌউবা ময়াম্না তানবা ইনকম 455% or 4.5 times মুক হেনগৎলি। টোমেটো জোসনা পায়খৎলিবা থবক অসিদগী ঐখোয়না তমজনীংঙাই য়াম্না লৈ। ঐখোয় লমগী পোখোক ময়াম অমসু পৎলগা মাঙবা য়াম্না লৈ। চহী খুদিংগী কোমলা, কিহোমনচিংবা পৎলগা মাঙবগী মরমদা ঐখোয় ময়াম্না হান্নদগীসু খঙনৈ। মণিপুর মীয়াম্না শীজিন্নবা য়াবা অমসুং পাম্নবা পোৎ অমা শাবদা শীজিন্নবা তারবদি মাঙবা অসি হন্থহনবা য়াই অমসুং মপান লমদগী লৈদনা ইশানা পুথোকচবা য়াই। ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।